# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথুদুনা খুৎশু খুৎলায় অমসুং লালহৌবশিং ফাগৎপা লেপত্রি।

২) ভগবান জগনাথকী নুমিৎ ৯ নি চুপা চথুরকপা রথ যাত্রা কাং চিংবগী থৌরম ঙসি কাংলেন পুর্ন যাত্রা পাঙথোক্তুনা লোইশিল্লগনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ত্রিনিদাদ এন্দ তোবেগোদা গনতন্ত্রবু মপুং ফানা চৎনরম্বা অসিগীদমক ইকায় খুমবা উৎলি।

------

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথুবা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চীংখৈ চীংদা ঙরাং থিবা হুন্নবগী থবক চথুবদা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওদবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, থার্তি সিক্স হেন্দগ্রেনেদ অমা, এম.কে-ৱান এক্সপ্লোসিভ অহুম, দিটোনেতর অনি, এ.কে. ফোর্তিসভেন রাইফলগী বেয়োনেট অমা, এস.এম.জি করবাইনগী মেগজিন অমা, থ্রি নোট থ্রি এল.এম.জিগী মেগজিন অমা, তিয়ার স্মোক সেল অমা,

মোর্তার সেল অমা অমসুং তোঙান তোঙানবা নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী চকমুয়েল খুল অমসুং মসিগা তাইনবা মফমশিংদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং লোকেল মেদ সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, তিয়ার স্মোক সেল ৮ অমসুং নোংমৈ মরু খরা ফাগৎলে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চানবীরোক চীংদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা শেমদোক্লবা বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা করবাইন সব-মেছিনগন অমা, হেন্দগ্রেনেদ অমা, হেলমেট অমা অমসুং আই.ই.দি মরি ফাগৎলে।

অমরোমদা, অককবা পাউ ফংবদগী ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোইরাংখোমদা ঙরাং রাজ্য পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা য়ু.এন.এল.এফ (পি)গী মীওই অমা ফারে।

লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লিলোং তুরেল অহনবী এরিয়াদা ঙরাং হুরাল্লকপা গাড়ি মরি রাজ্য পুলিসনা ফাগৎখ্রে হায়রি।

কাংলেন (এল) ঃ  ভগবান জগনাথকী নুমিৎ ৯ নি চুপা চত্থরকপা রথ যাত্রা কাং চিংবগী থৌরম ঙসি কাংলেন পুর্ন যাত্রা পাঙথোক্তুনা লোইশিল্লগনি।

মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দিরদা পাঙথোক্কনি। কাংলেনগী থৌরম অসিদা ভগবান জগনাথ, বলভদ্র অমসুং মচন ইবেম্মা সুবদ্রা লেংশিনবা কোনুংগী কাং ভক্ত চা কয়ানা চিংদুনা পাঙথোক্কনি। পুর্ন যাত্রা-কাংলেনগী থৌরম ইম্ফালগী ইস্কোন মনি মন্দিরদসু পাঙথোক্কনি। তোঙান তোঙানবা লৈকাইশিংদসু কাং চিংবগী থৌরমশিং ন্মিদাংৱাইরমদা পাঙথোকগনি।

পরিষদ (এল) ঃ  মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা খৃষ্ট কুম ২০২৫ গী ওইনা লাইরিক্তা পীগদবা শেলগী মনা ফংগদবা মীওইশিংগী মমিং লাউথোক্লে। অশাংবম মিনাকেটন নিংশিং শেলগী মনা- অহিংবা উপন্যাস হায়বা নৈন-ৱারেং

লাইরিক্কী অইবী নহাকপম অরুনাদা পীরগনি। অয়েকপম শ্যামশুন্দর শেলগী মনানা দাসু সরদার হায়বা ড্রামাগী অইবা- রহৈজ উদ্দিন শৈখ (শামু)দা পীরগনি। এলাংবম দিনামনি সাহিত্য মনানা মণিপুরী লিলা মচা নৈনবা হায়বা নৈন-ৱারেং লাইরিক্কী অইবা ডাঃ অথোকপম খোলচন্দ্রদা পীরগনি। মনাশিং অসি মথং থাগী অনিসুবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কদবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী ৯০ শুবা চহিগী মীফমগা মরী লৈননা লান্থোক্কনি হায়রি।

ভেটেরিনারি (এল) ঃ রাজ্যগী ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেসকা নেসনেল ইন্সুরেন্স কম্পনি ইম্ফালগা ঙরাং মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম.ও.য়ু) অমা সহি তৌনখ্রে।

যুমদা য়োকপা শাশিংদা ইন্সুরেন্স পীননবগী পান্দমদা এম.ও.য়ু অদু সহি তৌনখিবনি। রাজ্যগী ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেসকী দিরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- খোঙথাং অসিনা যুমদা য়োকপা শাশিংবু মশা মউ ফনা থম্বা অমদি খঙহৌদনা যুমদা য়োকপা শাশিং শিবদগী মদুবু য়োক্লিবা মীওইশিংদা শেল চাউনা মাঙবগী খুদোংচাদবশিং হন্থহনবা ঙম্লগনি।

প্লান্নিং (এল)ঃ মণিপুর ষ্টার্টঅপ টু পোইন্ট জিরোগী চীফ মিনিষ্টরস ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ সপ্লোর্ট স্কিম (সি.এম.ই.এস.এস)কী মখাদা নুমিৎ ৭ নি চুপা চত্থরকখিবা ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টার্টঅপ টু পোইন্ট জিরোগী চীফ মিনিষ্টরস ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ সপ্লোর্ট স্কিমগী মখাদা নিংথিনা ত্রেন তৌরবা কেন্দিদেটশিংদা সার্ভিফিকেটশিংসু খুৎশিন্নখি। ত্রেনিং মনুংদা বেনিফিসরি ওইগদবশিংদা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংগী মীহুৎশিংগা হকথেংননা ৱারী শান্নবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

লম (এল)ঃইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুংদা আইন কায়না লম খোপচিনদুনা য়ুম দুকান্নচিংবা শাজিল্লিবশিং লম্বীগী নাকলদা য়ুম কৈ শানবা নুঙ লৈঙোই পৈশিল্লিবশিং থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা লৌথোকবা হায়রি।

জিলা অসিগী দিপুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- হায়রিবা নুমিৎ অসি ফাওবগী মনুংদা আইন কায়না য়ুম অমদি দুকান্নচিংবা শাজিল্লিবশিং অমসুং লম্বীগী নাকলদা পোৎ চৈ থমজিল্লিবশিং লৌথোক্লবদি আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ত্রিনিদাদ এন্দ তোবেগোদা গনতন্ত্রবু মপুং ফানা চৎনরম্বা অসিগীদমক ইকায় খুমবা উৎলি। ত্রিনিদাদ এন্দ তোবেগোগী সংসদকী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়- গনতন্ত্রবু নিংথিনা চৎনহল্লিবা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মীহুৎশিংগী মমাংদা লেপ্পা ফংজবদা অপেনবা পোকই।প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা ত্রিনিদাদ এন্দ তোবেগোগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ান এৱার্দ- ওর্দর ওফ দ রিপাব্লিক ওই ত্রিনিদাদ এন্দ তোবেগো পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মদুগী তুংদা, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি পোর্ট ওফ স্পেনদগী আর্জেন্তিনাগী কোংনুং ব্যুনোস এরিস পাংখ্রে।

গোয়ল ঃ কেন্দ্রগী কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা হায়রি- মালেমগী লৈবাক ১৫৩ দা ভারতনা শান্নপোৎশিং য়োল্লি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা ১৬ শুবা টোই বিজ ইন্তরনেসনেল বি-টু-বি এক্সপো ২০২৫ গী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী গোয়লনা হায়- ভোকেল ফোর লোকেলগী ৱাখল্লোন মখাদা ষ্টার্টঅপশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা মগুন লৈবা শান্নপোৎশিং পুথোরকপদগী মীরৈবাক্তা ভারত্তা শাবা শান্নপোৎশিং হেন্না মায় পাকা য়োনবা ঙম্লকপনি। প্রধান মন্ত্রি মুদ্র য়োজনাগী মখাদা ষ্টার্টঅপ কয়া খোঙজেল য়াংনা চাওখৎলক্লি। মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়াম ইন্তরপ্রাইজেস

মন্ত্রালয়গী মখাদা শান্নপোৎ শানবা টোই প্লষ্টর ১৮ লিংখৎতুনা শান্নপোৎকী পোত্থোকশিং হেন্না পুথোকপা ঙমহল্লে হায়নসু শ্রী গোলয়লনা মখা তানা ফোংদোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীংগী তোঙান তোঙানবা জিলা মরিদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াল্লবা খুৎলায়শিং ফাগৎখিবা, লাঞ্জেন্নরিবশিং ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা সরকারনা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়না চীফ সেক্রেতরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনবা উরে।

তম্পাক্তগী খুৎলায় ফাগৎখ্রবা মতুং চীংদগীসু য়াল্লবা খুৎলায় ফাগৎপা হৌখ্রে, অহিং অমদা নোংমৈ ১৬৫ য়াওনা অপুনবা খুৎলায় ২০৩ ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মসিগা মান্নবা পাউ শঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক, পোকফম, হুইয়েন লানপাউ, মণিপুর মেল, গানফিউ মেল, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা- প্রদিন্টেস রুলগী লৈঙাকা লান শোকরক্লিবা নাকল অনিবু দিসআর্মদ তৌনবা হোৎনবা লেপত্রি, অহিং অমদা তেংনৌপল, কাংপোকপী, চান্দেল অমসুং চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা লোৎশিল্লম্বা নোংমৈ ২০৩, মরু অমসুং বোমশিং ফাগৎখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুনা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- লাঞ্জেন্নরবশিং ময়ুমদা হঞ্জিনহনবা হৌরগনি, মোরে, চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপীগীদি মতম খরদি লৈখিগদৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি পোকফমদনা- আই.দি.পিশিং ময়ুম হঞ্জিনহন্নবা থৌরাং তৌরি, ফ্রি মুভমেন্টসু অথুবদা য়ারক্লগনি- চীফ সেক্রেতরি হায়না অনিসুবা

হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- আই.দি.পিশিং চহি অসিদা ফেজ অহুম থোকা ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনরি। ময়ুম মকৈ লৈত্রবশিংগী য়ুম শাননবা লৈঙাকা লুপা লাখ ৩-৩ গী শেন্থং পীরগনি- চীফ সেক্রেতরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা টাইগর রোড শেমগৎপনা রাজ্য অসিদা ইং তপ্পা ফিভম পুরকপদা অকায়বা থোকহনগনি হায়না রোংমৈ নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেসননা ফোংদোকখিবা ব্রাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা তোঙান তোঙানবা গ্রুপশিংনা রাজ্যপালগা উন্নখ্রে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা চৎননবগী মতম লৈতে হায়না কংগ্রেস লুচিংবা মালিক আর্জ্ন খরগেনা ফোংদোকখিবা ব্রাফম অমা পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা লাকপগী ওফিসিয়েল ওইবা পাউ ফংদ্রি হায়না চীফ সেক্রেতরিনা ফোংদোকখিবা ব্রাফম অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- তমেংলোং জিলাগী অপুনবা সি.এস.ওশিংনা রাজ্যপালগা উন্নখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তোঙান তোঙানবা লুপ মরিনা সু শাংদোক্তনবা দাবী তৌখ্রে হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসতা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------